# য়েমেনদা এয়র ষ্ট্রাইক্তা মীওই ১৭ শিখ্রে, লোইদা লৈবা প্রসিদেন্টনা পিছ প্লান য়াখিদ্রে



সানা, ওক্টোবর ৩০ :
থাংজ নুমিৎতা য়েমেনগী সাউথৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স টাইজদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক্তা য়ুম অমা হিট তৌখিবগা লোয়নননা য়ামদ্রবদা মীচম ১৭ শিখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিং অমসুং মফমদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এয়র রেইদ অদু টাইজগী অল-সালর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা য়ুম অমদা টার্গেট তৌখি। মফম অদু হৌথি রেবেলশিং অমসুং কোলিসন্না শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরিবনি। টাইজ অসি য়েমেনগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটিনি। মফম অসিদা লাল হৌদ্রিঙৈদা পুন্না মীশিং ৩০০,০০০ লৈরম্মী।

সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মার্চ ৩ দগী হৌথি রেবেলশিং অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অলি অব্দুলা সালেমবু শৌগৎপা ফোর্সশিংগা লাল শোক্ল রকখিবনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা কেপিটেল সানা য়াওনা য়েমেনগী অৱাং থংবা শরুক অয়াম্বা পায়শিন্দুনা লৈরি। কোলিসনগী পান্দমদি মালেমনা শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মনসৌর হাদিবু লৈবাক অদুদা লৈঙাক্কী পৱার পায়হনবনি।

লোইদা লৈরিবা হাদিনা থাংজ নুমিৎতা কনফ্লিক্ট অদু লোইশিন্নবা য়ু এননা তৌরকপা পিছ প্রপোজেল অমা রিজেক্ট তৌখি। দিল অদুনা লাল হেনগৎহনগনি অমসুং হেন্না অমাঙ-অতা থোকহনগনি হায়রদুনা হাদিনা য়ু এনগী পিছ প্রপোজেল অদু রিজেক্ট তৌখিবনি।

য়ু এনগী পাউখোল্লোয় ইস্মাইল ঔলদ চৈইখ অহম্মদকা মীফম লোইরবা মতুংদা ৱা ঙাঙলদুনা হাদিনা হায়খি, এগ্রীমেন্ট অদুনা রেবেলশিংবু কান্নহনগনি অমসুং য়েমেনি মীয়াম অমসুং লিজিটেমেসিবুনা চৈথেং নংহনগনি।

গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা সাবা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না রোইটর্জনা কোপি অমা উবা ফংখিবা প্লান অদুদা হাদিবু নাথৈরগা মায়কৈ অয়াম্বনা য়াগদবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী ৱাফম য়াওরি।

দিল অদুদা হাদিগী পৱারফুল ওইরবা ভাইস-প্রসিদেন্ট অলি মুশিন অল-অহমরবু পৱারদগী লৌথোকপা অমসুং হৌথি রেবেলশিংনা সানাদগী হন্দাকখিবা মতমদা ফিগরহেদ অমদগী পংহেন-হেন্দনা লৈবগী ৱাফম য়াওরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা ইরানগা মীচঙ ওইনবা হৌথি মুভমেন্টনা খুৎলায় মতীক চানা পায়দুনা চঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা হাদি লৈবাক থাদোক্তুনা চেনখি অমসুং মদুদগী হৌনা য়ুমথংনবা সাউদি অরাবিয়াগী গেষ্ট অমা ওইরকখি।

থা অমা লৈরগা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মহাকপু লিজিটিমেট হেদ ওফ ষ্টেট ওইনা শকখঙখি অমসুং হৌথিশিংদা খুৎলায় থাদোক্লবা অমসুং য়েমেনগী মরু ওইবা সিটিশিং থাদোক্লবা আপিল তৌখি।

তৌইগুম্বসুং হৌথিশিং অদু য়েমেনগী আর্মিদা য়াওরিবা মখোয়গী মীচঙশিংনা মহাক (হাদি) লৈবাক অদুদা শুকহন-হল্লক্লোই হায়খি। য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০,০০০ শিখ্রে অমসুং মদুনা মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিসশিংগী মনুংদা অমা থোকহনখি।

## মিদিয়াদা অরুবা পাউ লিক ওইখিবগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ফম থদৎখ্রে

লাহোর, ওক্টোবর ৩০ : লালহৌবা শৌগৎপগী ৱাফমগী মতাংদা সিভিল্যান অমসুং মিলিটরি লিদরশিপশিংগী মরক্তা য়ানদবা লৈবগী পাউহন্দক্তা মিদিয়াদা লিক ওইখিবগা মরী লৈননা পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিৎতা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর পরভাইজ রশিদ মফম লৌথোকখ্রে।

হায় প্রোফাইল নেসনেল সিক্যুরিটিগী মীটিংগী অরুবা পাউ লিক ওইখিবগা মরী লৈননা অহানবগী ইভিদেন্স অসি রশিদকী মায়োক্তনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেন মুসাদিক মালিকনা কনফার্ম তৌখ্রে।

‘ৱাথোক ওইরবা ৱারীদুগী মরমদা থিজিনবদু অরোইবা ষ্টেজদা লৈরে অমসুং মদু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মিদিয়াগা স্যের তৌমিন্নরগনি। অরুবা ইনার্ফোমেসন অদুবু দোনগী রিপোর্টরদা কনানা লিক ওইহনখিবনো হায়বদু য়াম্না থুনা খঙল্লগনি, হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথরি’ হায়না মালিকনা হায়খি। রশিদ অসি প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকা নকশিন্নবা তেংবাঙলোয় অমা ওইবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা মিদিয়াদা এন্টি-আর্মি ইনার্ফোমেসন লিক ওইবা য়ারোই হায়না লৌনরি। পি টি আইগী লিদর ইমরান খাননা রশিদপু মফম লৌথোকখিবগী খোঙথাং তরাম্না ওকখ্রে।

## ইরাক ফোর্সেসনা মোসুলবু সিরিয়াগা লম্বী তৎনহন্নবগী ওপরেসন হৌখ্রে



অল কায়ারাহ, ওক্টোবর ৩০ :
মোসুলদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মফমশিং অমসুং য়ুন্নোন্নবা সিরিয়াগী মরক্তা লৈরিবা সপ্লাই লাইনশিং থদৎনবা ইরাকি পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা ওপরেসন অমা হৌখ্রে। মদুগা লোয়নননা চয়োল অনী শুরক্লবা ওফেন্সিভ অদুদা অনৌবা ফ্রন্ট অমা হাংখ্রে।

ইরান্না শৌগৎপা সিয়াইট মিলিস্যাশিংনা দোমিনেট তৌবা পেরামিলিটরি অমব্রেলা ওর্গনাইজেসন হশদ অল-সাবিগী ফোর্সশিং মোসুলবু নৌনা লৌশিন্নবা হৌখিবা ওপরেসনদা নাকোয়ননা লৈরকখি।

তৌইগুম্বসুং থাংজ নুমিৎতা মখোয়না সিটি অদুগী নোংচুপ থংবা চঙফল্লোমদা লৈবা টল অফার টাউনদা চঙশিনখি। টাউন অসি নোর্থ, ইষ্ট অমসুং সাউথলোমদগী চঙশিল্লকখিবা গ্রাউন্দ ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌদবা অমত্তা ঙাইরবা মফমনি।

ওপরেসন অদুগী পান্দমদি মোসুল অমসুং রাকাগী মরক্তা সপ্লাইজ মুখৎপা অমসুং মোসুলবু হেন্না চেৎশিন্না পায়শিনবা অমসুং টল অফার লিবরেট তৌবনি’ হায়না হশেদকী স্পোক্সমেন অহম্মদ অল-অশাদিনা এ এফ পিদা হায়খি। সিরিয়াদা লৈবা আই এসকী মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডদা রিফরেন্স পীরদুনা অশাদিনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

অশাদিনা হায়খি, ওপরেসন অদু মোসুলগী খা থংবদা লৈবা সিন অল-ধবন এরিয়াদগী হৌখি অমসুং ওপরেসন অদুগী পান্দম্না হাত্রা অমসুং টল অবতা লোয়নননা টল অফার টাউনবু নৌনা লৌশিনবনি।

টল অফারদা চঙশিল্লিবদুনা লাঞ্জং অদু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা মমাঙঙৈগী সিটি হাত্রাগা য়াম্না হেন্না নকশিন্নহনবা য়াই। হাত্রা অসি আই এসনা মাঙহন-তাকহনবা হৌখ্রবা য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট অমনি। মমিং পন্দ্রবসু ওপরেসন অদু আই এসনা এটেক তৌখিবা অতোপ্পা আর্কিওলোজিকেল সাইট অমা ওইরিবা নিমরুদকী লেমহৌবা শরুকশিংগী মনাক্তা ফাওবসু য়াই হায়রি।

## টর্কিনা কূগী শরৌদা য়াওবশিংবু শিবগী চৈরাক ফংহন্নবা খন্নগদৌরি



ইষ্টানবুল, ওক্টোবর ৩০ : জুলাইগী কূ এটেম্পগী শারৌ শিনখিবশিংবু শিবগী চৈরাক পীবা য়ানবা চৈরাক মখল অসি নৌনা হৌদোক্লবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টদা হায়রগনি হায়না টর্কিশ প্রসিদেন্ট য়েসেপ টায়িপ ইর্দোগননা ফোঙদোকখ্রে।

‘ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টদা কেপিটেল পনিসমেন্ট চৎনহন্নবগী প্রপোজেল হৌদোক্লগনি। পার্লিয়ামেন্টনা মসি এপ্রুভ তৌগনি হায়না ঐহাক্না থাজে অমসুং ঐঙোন্দা লাকপা মতমদা ঐহাক্না মদু রেটিফাই তৌগনি’ হায়না ইদোর্গননা অঙ্কারাদা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

‘করিমত্তা ৱাগনু মসি য়াম্না থুগনি। লাইনা চাল্লবদি মসি য়াম্না থুনা ওইথোক্লগনি’ হায়না ইদোর্গননা হায়খি। মদুদা তিল্লিবা মীয়াম্না ‘ঐখোয়না শিবগী চৈরাক চৎনহনবা পামই’ হায়না লাউখি।

টর্কিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওনবা হোৎনখিবগা লোয়নননা কুমজা ২০০৪ দা লৈবাক অসিদগী কেপিটেল পনিসমেন্ট মুখৎখি। জুলাই ১৫ দা ইর্দোগনবু মফমদগী চিংথুনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা লুচিংবা অসিনা কূগী শারৌ শিনখিবশিংবু শিবগী চৈরাক ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবদা ঈ য়ুগী লিদরশিংনা চঙক্লখি।

ঈ য়ুনা লোগী চৎনবী মনুংদা থবক তৌনবা কন্না আপিল তৌবা লৈরিঙৈগী মরক্তা টর্কিনা ফেল ওইখিবা কূগী পাউখুম ওইনা কূগী শারৌদা শরুক য়াবশিংনি হায়না মরাল শীরিবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংগী মায়োক্তা হালেংদনা ক্রেকদাউন অমা চথরকপদগী ব্রসেলজগা অঙ্কারাগা লৈনবা মরী শোকচিল্লকখি।

শিবগী চৈরাক চৎনহনবগী মতাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ৱার্নিং কয়া পীরকখিববু ইদোর্গননা ঙসি করেম্নখ্রে। ‘ঐখোয়দা তঙাই ফদ্রিবসি নোংচুপলোমদগী ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমদু নত্তে, ঐখোয়দা মরু ওইরিবদি ঐহাক্কী মীয়াম্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিংনি।’

## কারাচিদা কাঙলুপ নাইবা এটেক্তা মীওই ৫ শিখ্রে



কারাচি, ওক্টোবর ৩০ :
পুলিসনা কাঙলুপ নাইবা থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা কারাচিগী নাজিমাবাদ লোকেলিটিদা থাংজ নুমিৎতা চথখিবা এটেক অমদা মচিন-মনাও অনী য়াওনা মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া শোকখ্রে। মদু সিটি অসিদা মুহরম মনুংদা চথখিবা অদুগুম্বা মরিশুবা এটেকনি।

পুলিসনা হায়খি, নাজিমাবাদ পুলিস ষ্টেসন্দগী পংথাপ থাপ্তুনা লৈবা য়ুম অমগী মপান্দা মোটোর বাইক তোংবা এটেক্কর অনী খামখি। সিন্ধ বেঞ্জরশিংগী হেদক্বার্টরসসু ওইরিবা মফমদুদা নুপীশিংগী মুহরম মজলিস অমা পাঙথোকখি।

এটেক্করশিংগী মরক্তগী অমনা য়ুমদুগী মপান্দা নুপাশিংগীদমক্তা খনগৎপা টেন্ট অমদা চঙখি অমসুং পিষ্টল অমা পুথোক্তুনা পংকাপ্তা কাপ্লবা মতুংদা মফমদুদগী মখোয়গী বাইকতু থৌদোকখি। ভিক্টিমশিংদু ঈখেং মরক্তা তাদুনা লৈখি।

এটেক অদুদা শোকখিবশিং অবাসি সহীদ হোস্পিটাল অমসুং অগা খান য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ‘মীওই ৪ (অবাসি সহীদ) হোস্পিটালদা শিরগা পুখৎলকখি’ হায়না এদিস্নেল পুলিস সর্জন ডা. রোহিনা হশননা হায়খি। ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমা য়াওনা অশোকপা অহুম হেল্‌থ ফেসিলিটি অদুদা লায়েংখি।

ডা. হশননা হায়খি, হান্না অবাসি শহীদ হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট তৌখিবা অশোকপা নুপী অনী তুংদা অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা হোংখি। ‘মীওই ১০ নোংমৈনা পানখিবগী মনুংদা মীওই ৫ শিখ্রে’ হায়না দি আই জি-ৱেষ্ট জুল্লফিকর লারিকনা দোনদা হায়খি। ‘অশিবশিংগী মনুংদা অনীদি মচিন-মনাওনি।’

## পাইল কেসকী কবিরাজ নসির খানবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা মরম ওইদুনা শৌজ-নান্থবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চাবা, মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংগী মপান্দা মখুল হুৎলকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Nasir Khan @ Ibomcha Kabiraj** ☎ **9615033039, 7085385283** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজান্দগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা **নসির খান**-বু মপোকসিমগী কাউজরোই হায়না পাউ-চেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* **Haffiz Hatta JNIMS Road.**

*থাগৎচরিবা :* **Md. Amar Yairipok Heitroipokpi**

HL-B/3412/21/10-20/11

## লিবিয়াদা কার বোম পোকখায়বদা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট য়াওনা ৬ শিখ্রে

বেঙ্গাজি, ওক্টোবর ৩০ :
লিবিয়াগী ইষ্টর্ন সিটি বেঙ্গাজিদা কার অমা পোকখায়বদা মীওই তরুক শিখ্রে। শিখিবা মীওই তরুক্তুগী মনুংদা ইস্লামিক এক্সত্রিমিষ্টশিংগা লান্থেংনরিবা পৱারফুল ওইরবা জেনরেল অমগা নকশিন্নবা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট অমা য়াওই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

ঙরাংগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা দাউনটাউন বেঙ্গাজিগী মী চিনবা কেফে ময়াম অমা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অল-কেশপু নিকহনখি। ব্লাষ্ট অদুদা কেফে অমদা ফমদুনা লৈবা এক্টিভিষ্ট মোহম্মদ বৌগাজেস অমসুং অতৈ মঙা শিখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ১০ সু ব্লাষ্ট অদুদা শোকখিবগা লোয়নননা মীওই খরদি ফীভম লুনা লৈ হায়রি। প্রেসতা ৱা ঙাঙবগী অয়াবা পায়দবা মরম্না ওফিসলশিংনা মশক মমিং ফোঙদোকহন্দবীদা ৱা ঙাঙখিবনি।

বৌগাজেস অসি পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট অমসুং ষ্টেট টি ভিদা শন্দোকপা ‘ফ্রেন্দলি’ কৌবা নুংতিগী পাঙথোকপা টোক শো অমগী হোষ্টনি। মহাক কুমজা ২০১৪ দা বেঙ্গাজিদা ইস্লামিক এক্সত্রিমিষ্টশিংগী মায়োক্তা কেম্পেন অমা লুচিংখিবা জেনরেল খালিফা হিফটরবু থৱায় য়াওনা ফোঙনা শৌগৎখিবা মীশক অমনি।



এক্সত্রিমিষ্টশিংগী মখুৎতা বেঙ্গাজিদা এক্টিভিষ্ট কয়া, জজ কয়া অমসুং সিক্যুরিটি ওফিসর দজন কয়া শিখিবদগী হিফটরনা ‘ওপরেসন দিগনিটি’ কৌবা কেম্পেন অদু হৌখিবনি।

ঙরাংগী বোম ব্লাষ্ট অদুনা মী কয়া হাৎপগী কিনিংঙাই ওইরবা মতমদু অমুক হল্লক্লব্রা হায়বগী অকিবা পোকহনখি। ইরাই নুমিৎতা মশক খঙদবা মীওই ১০ গী অশিবা হকচাংশিং বেঙ্গাজিদা দম্পষ্টর অমদা য়াওরম্বা থেংনখি। মখোয়বু মফমদুদা থেংনরকখিবা সপোর্ট এন্দ রিইনফোর্সমেন্টগী সিক্যুরিটি য়ুনিটকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না অশিবা হকচাংশিং অদুদা টোর্চর তৌবগী মমিশিংগা লোয়নননা মকোক্তা নোংমৈ মরু পানফমশিং লৈ।

লিবিয়াগী খ্বাইদগী খেন্নবা মোট ফোঙদোকপা মীওইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হিফটরনা সিটিগী অৱাং অমসুং নোংচুপথংবা মফমশিংগী শরুক খরখক নত্তনা বেঙ্গাজিগী অয়াম্বা শরুক্তগী এক্সিত্রিমিষ্টশিং তকথোকখি। ইষ্টর্ন রিজনদা মহাকপু থাগৎনরবসু ইস্লামিষ্ট খুদিংমকপু এক্সত্রিমিষ্টশিং ওইনা লৌবগীদমক্তা ৱেষ্টর্ন লিবিয়াদদি মহাকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লে।



HL-B/3329/20/09-19/10

## /EMPLOYMENT NEWS

### Bharat Heavy Electricals Limited – BHEL Recruitment 2017 – 386 ITI Apprentice Vacancies – Last Date 12 November 2016

**BHEL Recruitment 2017 – 2016**

BHEL, Bangalore invites application for the post of 386 ITI Apprentice in Various Trades. Apply Before 12 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Technician Apprentice
No. of Vacancy : 386 Posts
Discipline Wise Vacancies :

Electrician : 125 Posts
Fitter : 95 Posts
Programming and Systems Administration Assistant : 22 Posts
Mechanic (Domestic, Commercial, Refrigeration and Air Conditioning Machines : 02 Posts
Electronics Mechanic : 125 Posts
Turner : 03 Posts
Welder (Gas & Electric) : 03 Posts
Mechanic Diesel : 02 Posts
Draughtsman (Mechanical) : 02 Posts
Tool & Die Maker (Die & Moulds) : 02 Posts
Computer Operator and Programming Assistant : 05 Posts

**Eligibility Criteria for BHEL Recruitment :**
Educational Qualification : Passed ITI in Relevant Trade from recognized institution by the Government.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.10.2016

For General : 27 years
For OBC : 30 years
For SC/ST : 32 years

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**
**How to Apply BHEL Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website www.apprenticeship.gov.in on or Before 12.11.2016 & Send the Printout along with self attested copies of certificates & Document to the DGM (HR-Administration), Bharat Heavy Electricals Limited Electronics Division, Mysore Road, Bangalore – 560 026 on or before 15.11.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 12.11.2016
Last Date for Submission of Printout of Online Application : 15.11.2017
***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://www.bheledn.com/images/pdf/ITI.pdf*
***Apply Online :*** *http://www.apprenticeship.gov.in/pages/apprenticeship/home.aspx*

### Northern Coalfields Limited – NCL Recruitment 2017 – 265 Junior Overman & Mining Sirdar Vacancy – Last Date 26 November 2016

**NCL Recruitment 2017 – 2016**

Northern Coalfields Limited invites Application for the post of 265 Jr. Overman and Mining Sirdar. Apply before 26 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Jr. Overman
No. of Vacancy : 197 Posts
Pay Scale : Rs.19035/- (Per Month)
Post Name : Mining Sirdar
No. of Vacancy : 68 Posts
Pay Scale : Rs.19035/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for NCL Recruitment :**
Educational Qualification :
Jr. Overman : Candidate should have three year Diploma in Mining Engineering from a recognised university. And Valid Overman's certificate of competency from DGMS under Coal Mines Regulation 1957 or any other certificate in Mining which entitle to work as Overman as per Coal Mines Regulation 1957.
Mining Sirdar : Candidate should have Matriculate or equivalent exam from any recognized Board. And Valid Mining Sirdar certificate of competency from DGMS under Coal Mines Regulation1957 or any other certificate in Mining which entitle to work as Mining Sirdar as per Coal Mines Regulation 1957.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Year
**Job Location : Singrauli (Madhya Pradesh)**
**How to Apply NCL Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with self-attested photocopies of educational/ experience certificates, two passport size photograph send to Director of Northern Coalfields Limited Singrauli, 486889 (M.P).
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission 0f Application : 26.11.2016
***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://nclcil.in/recruitment/recruitment_Hindi.pdf*

### Lok Sabha Secretariat Recruitment – 20 Casual Labours Vacancy – Last Date 31 October 2016

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 20 Casual Labours. Apply Before 31 October 2016.

Advt. No. : 03/2016

**Job Details :**
Post Name : Casual Labours
No of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 7730/-

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**
Educational Qualification : 10th pass from a government recognized institute.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Personal Interview.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested photocopies of necessary certificates/ document, copies of certificates/ documents send to The Joint Recruitment Cell Room No.521, Parliament House Annexe, New Delhi-110001 on or before 31.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 31.10.2016
***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application Form Link : http://164.100.47.193/JRCell/Module/Notice/advt3_2016_casual%20labor_.pdf*